# গ্রেট বৃটেননা নুপী হোকিদা ইন্দিয়াবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৯ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা মখোয়গী ওপনিং মেচতা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুমক উৎপা ঙমখিদবদগী মফম অসিদা চথুরিবা ওলেম্পিক গেমসগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা গ্রেট বৃটেননা য়াম্না লাকচনা তৌখিদুনা ৩-০ দা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা অকনবা দিফেন্স তৌদুনা শান্নরকখি। ইংলেন্দসু গোল চন্নবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা শাফু কল্লবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। ইন্দিয়ানা ৱালগুম থিংখিবা দিফেন্স অদুদা ইংলেন্দনা পাক হেক হায়জিন্দুনা গোলগী এটেম্প তৌবা ঙমখিদে। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ইংলিসকী নুপীশিংনা হনবা লৈতনা চঙশিনখিবা শাফুদা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা গিসল্লে অন্সলেনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুশিলা দেবী অমদি গোলকিপর সাভিটা পুনিয়াবু নঙ্কাৎলল্লগা শাফু কন্না য়ৈশিনখিবা বোল অমা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

ইংলেন্দনা গোল চনখিবগী লাংতক্করবা ইন্দিয়ানা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক মায়োক্লখিবা ওপোনেন্টকী মায়োক্তা কাউন্টর এটেকশিং তৌখি। অদুবু ইংলেন্দনা অথুবদা তৌখিবা এটেক অমদা নিকোলাস হ্বাইটনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-০ দা অমুকসু হন্না মাঙজিল থানা চৎখি।

মেচ অদুগী অহুমশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াসু ইংলেন্দগী মায়কৈদা গোল হন্দাক্লবা চঙশিল্লকখ্রবসু ইংলেন্দগী দিফেন্স লানশিন্দুনা চঙশিনবদি ঙমখিদে। ইংলেন্দনা মখা তানা ওপোনেন্টকী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা এলেক্স দান্সননা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-০ দা লৈখি।

ক্রিষ্টা কুল্লেননা হায়খি, ইন্দিয়নশিং অসি মহৌশানা ইন্দিভিজুয়েলদা য়াম্না হৈথোই শিংথোই। মরম অদুনা ঐখোয়না অকনবা শাফু পীদুনা এটেকশিং চথ্দুনা গোলশিং চন্নবা অচেংবা তাঞ্জাশিং লৌই হায়খি।

ইন্দিয়াগী ভন্দানা কাটারিয়ানা মায়োক্লখিবা মাকৈদা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু ইংলেন্দগী মশা কল্লবা প্লেয়রশিংগী মরক্তা মায়োক্লবা ঙমখিদবদগী গোলগী আশা লাপথোককখি। মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী দিপিকা থাকুরনা য়েল্লো কার্দ ফংখিবদগী ফিল্ডদগী মপান থোকখিদুনা ইন্দিয়াগী প্লেয়র তরানা শান্নরকখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুশিলা দেবীনা হায়খি, চহী অ৩৬ কী মতুংদা ওলেম্পিক্সতা শান্নবা হায়বসি চাউথোক্লিংঙাইনি অমদি মসিনা ঐখোয়দসু হেন্না প্রেসর লৈখি। ঐখোয়গী লৈখিবা অশোয়বশিং অদু খঙজিন্দুনা মতুং তারকপদা শোয়দনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগনি। ঐখোয়না হৌজিকসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙগনি হায়না আশা তৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্লন্দুনা ওগষ্ট ১০ দা শান্নগনি। অদুগা ওগষ্ট ১১ দা য়ু এস এ অমদি ওগষ্ট ১৩ দা অর্জেন্টিনাগা মায়োক্লন্দুনা শান্নগনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা মফম অসিদা চথুরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী অহানবা পুলগী মেচতা জপানগা গোল ২-২ দা ড্রো চৎখিবনি।

ওলেম্পিক হোকি সেন্তরদা চথখিবা মেচ অদুদা জপানগী গোলশিং অদু মেচকী মিনিট ১৫ চৎপা মতমদা নিসিখোরি ইমিনা টিমগী অহানবা গোল চনখি অমদি মেচকী মিনিট ২৮ চৎপা মতমদা মি নকাসিমানা গোল অমগা চনশিন্দুনা মাঙজিল থানা চৎখি।

ইন্দিয়াগী গোলশিং অদুনা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা রানি রামপালনা চনখি। অদুগা মেচকী মিনিট ৪০ চৎপা মতমদা লিলিমা মিঞ্জনা গোল অমগা চনশিনখি।

টিম অনীমক্না মেচকী অহৌবদা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা সাইদশিংদা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্নবগীদমক চঙশিন্নখি।

জপানন৷ মায়োক্লখিবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নরকখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। জপান্না হনবা লৈতনা ইন্দিয়াগী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৫ চৎপা মতমদা নিসিখোরি ইমিনা ফজরবা বোল অমা ইন্দিয়াগী গোল পোষ্ট মনুংদা য়ৈশিনখিদুনা গোল চনখিবগা লোয়ননা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

ইন্দিয়ানা জপানগী মায়কৈদা চঙশিনখ্রবসু গোল চন্নবগী খুদোংচাবদি ফংবা ঙমখিদে। জপাননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২৮ চৎপা মতমদা মি নকাসিমানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা ইন্দিয়ানা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাফতা শান্নখিবা টেম্পোদগী অনীশুবা হাফতনা হেন্না মতিং লৈনা শান্নরকখিবা ইন্দিয়ানা জপানগী মায়কৈদা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা রানি রামপালনা জপানিজগী নেট মনুংদা বোল অমা থোমজিনখিদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা ১-২ দা লৈখি।

ইন্দিয়ানা তৌখিবা কাউন্টর এটেক অদুদা মেচকী মিনিট ৪০ চৎপা মতমদা লিলিমানা কনশিনখিবা বোল অমা জপানিজগী কিপরনা ইন্থোরকখিবদগী ইন্দিয়াগী কেপ্টেন পি সুশিলা চনুনা বোল অদুবু ফারগা অমুক হন্না লিলিমাদা পীরক্তুনা লিলিমানা বোল অদুবু নীংথিনা কন্ত্রোল তৌরগা জপানিজগী নেটতা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ২-২ দা চাং মান্ননা লৈখিদুনা ড্রো চৎখি।

# চিনাগী ঝান মেংজুনা মহাক্কী লৈবাক্কী অহানবা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৯ ঃ

চিনাগী ঝাং মেংজুনা মফম অসিদা পাঙথোক্লিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী নোংমাইজিং নুমিৎতা চথখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখিদুনা মহাক্কী লৈবাক্কী অহানবা মেদলসু ওইহনখ্রে।

অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখিবী মশাগী চহী ২৫ শুরবী ঝাংনা শোট ২০ কাপ্পুনা পোইন্ট ১৯৯.৪ ফংবা ঙমখিদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। রসিয়াগী ভিটালিনা ভটসারাকিনানা অপুনবা পোইন্ট ১৯৭.১ ফংদুনা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা গ্রিসকী অন্না কোরাকাকিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌখিবী চিনাগী গো ৱেঞ্জুননা ৩০শুবা মফমদা লৈখিদুনা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখি। ঝাংনা ইভেন্ট অদুগী অরোইবা রাউন্দদা পার্ফেক্ট ১০ কাপখিদুনা ওলেম্পিক্কী রেকোর্দসু থন্বা ঙমখি।

পনবা য়াই, মালেমগী মঙাশুবা রেঙ্কতা লৈরিবী ঝাংনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসনদা নিংথিনা কাপ্পা ঙমখিদ্রবসু ফাইনেলিষ্ট নিপানগী মনুংদা তরেৎশুবা পোজিসন তাদুনা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

অমরোমদা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কন্মিটি (আই ও সি) গী নৌনা মেম্বর ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী নিতা অম্বানিনা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৪০০ গী ফ্রিষ্টাইলদা মকোক মথং তাখ্রবা এথলেটশিংদা মেদলশিং য়েন্থোকখিদুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা দিগনিট্রি অমগী ঈকায়খুম্নবা ফংখিবা অহানবা ইন্দিয়নসু ওইবা ঙমখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী মরিদা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কন্মিটি (আই ও সি) না নিতা অম্বানিবু কন্মিটি অসিগী মেম্বর ওইনা হাপখ্রবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী মেদল য়েন্থোকপগী সেরিমোনিদা নুপীগী মিটর ৪০০ গী ফ্রিষ্টাইলদা মকোক মথং তাখ্রবা স্বিমর ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর অমেরিকাগী কেটি লেদেকি, গ্রেট বৃটেনগী জাজ কার্লিন অমদি অমেরিকাগী লিহ স্মিঠতা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদলশিং খুৎশিন্নখি।

ইভেন্ট অদুদা লেদেকিনা মিনিট অহুমগা সেকেন্দ ৫৬.৪৬ য়াঙনা লোইদুনা অহানবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখি। কার্লিননা মিনিট মরিগা সেকেন্দ ০১.২৩ অমদি স্মিঠনা মিনিট মরিগা সেকেন্দ ০১.৯২ লোইদুনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা আই ও সিগী এক্টিব ইন্দিভিজুয়েল মেম্বর ওইরিবী মশাগী চহী ৫২ শুরবী নিতা অম্বানিনা মহাক্কী লেমজনিংঙাই ওইরবা ফম অসি মশাগী চহী ৭০ শুদ্রিবা ফাওবা পায়গনি। হান্নগী ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও সি) গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বদা নত্তনা কুমজা ২০০১ দগী ২০১৪ ফাওবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কন্মিটি (আই ও সি) গী মেম্বর ওইখিবা রন্ধির সিংহনা হৌজিক কন্মিটি অসিগী ওনররি মেম্বর ওইরিবনি।

# রসিয়াগী পরা-এথলেটশিং রিও পরালিম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াদনবা অথিংবা থমখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৯ ঃ রসিয়াগী পরা এথলেটশিং য়াওনা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং পাক্তক্না দোপিংদা চেন্নে হায়বা মরালদা ইন্টরনেসনেল পরালিম্পিক কন্মিটি (আই পি সি) না মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও পরালিম্পিক্স গেমসদা রসিয়াগী পরা-এথলেটশিংবু শরুক য়াদনবা অথিংবা থমখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল পরালিম্পিক কন্মিটি (আই পি সি) গী মীফম অমনা রসিয়াবু রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াহনদনবগী ৱারেপ অদু লৌখি হায়রি।


রসিয়ন পরালিম্পিক কন্মিটি (আর পি সি) বু রিওদা অথিংবা থম্বগী ৱারেপ অদু লৌখ্রবা মতুং আই পি সিগী প্রসিদেন্ট ফিলিপ ট্রাভেননা হায়খি, রসিয়া গভর্ণমেন্টকী অফবা নৎত্রগা ফত্তবা অনীগী মরক্তা লৈবাক অসিগী পরালিম্পিয়নশিংসু তোৎশিন্নদুনা লাকখ্রে। পরালিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াবা ফংলরোইদবা পরা-এথলেটশিংগীদমক নুংঙাইতবা ফাওই। অদুবু লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি পরালিম্পিক মুভমেন্টবু হেন্না মশক থোক্লবগীদমক লৌখিবা ফিরেপনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রসিয়াদা পরা স্পোর্টস অসি ময়াম্না পাম্নবা ওইদ্রবসু মালেমগী ওইনা মায় পাক্লবা পরা এথলেটশিংগী মনুংদা রসিয়ানা অচৌবা মফম অমা কল্লি অমদি সোচিদা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক্স গেমসদা মেদল টেল্লিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসদা চিনাগী মথংদা মেদল খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা অনীশুবা লৈবাক ওইখিবনি।

অমরোমদা ইন্টরনেসনেল পরা-লিম্পিক কন্মিটি (আই পি সি) না লৌখিবা ৱারেপ অদুবু কোর্ট ওফ অর্বেট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সি এ এস) তা ৱাকৎকনি হায়না রসিয়ানা লাউথোকখ্রে।

ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না অয়াবা পীদুনা কনাডাগী লোয়র মেক লারেননা মনিংতম্না থিজিনখিবগী রিপোর্টতা পরা-এথলেটশিং য়াওনা রসিয়াগী এথলেটশিং পাক্তক্না দোপিংদা চেন্নে অমদি অরানবা থবক থৌরমশিং কুপশিন্দুনা থন্মী হায়বগী মরালদা রিও গেমসদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় ১২০ গী মথক্তা অথিংবা থমদুনা শরুক য়াহনখিদে। মদুগী মখা তারকপদা রসিয়ন এথলেটশিংবু রিওদা শরুক য়াহনগদ্রা নৎত্রগা য়াহল্লোইদ্রা হায়বগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কন্মিটি (আই ও সি) না ৱারেপ লৌখিবনি। অদুবু ইন্টরনেসনেল পরা-লিম্পিক কন্মিটি (আই পি সি) নদি সেপ্টেম্বর ৭ তগী ১৮ ফাওবা রিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অসিদগী রসিয়াবু শরুক য়াহন্দনবা অথিংবা থম্নবগী ৱারেপ লৌখি।

# ইন্দিয়াগী স্বিমর সাজন প্রকাশ, শিভানি কাটারিয়ানা মখোয়গী ইভেন্টতা ৪১ শুবা অমদি ২৮শুবদা লৈখি



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৯ ঃ

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা স্বিমর সাজন প্রকাশ অমদি শিভানি কাটারিয়ানা মফম অসিদা চথুরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মখোয় মখোয়গী ইভেন্টশিংদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিদবদগী কম্পিটিসনগী মপান থোকখ্রে।

সাজন্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাই হিটতা স্বিমর ৪৩ না শরুক য়াখিবা অদুদা মহাক্না ৪১ শুবা পোজিসনদা লৈখি। অদুগা শিভানিনা মিটর ২০০ গী ফ্রিষ্টাইলদা স্বিমর ২৯ না শরুক য়াখিবদা ২৮শুবা মফমদা লৈখি।

সাজন্না মহাক্কী মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাই ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা স্বিমর মঙাগী মনুংদা মহাক্না মরিশুবা পোজিসন তাহৌখিবদগী নিংবা কায়না কম্পিটিসনদগী মপান থোকখি।

কম্পিটিসন অদুগী অহৌবদা লেন্দথ্রিদা লৈখিবা প্রকাশনা মহাক্কী হিট অদুদা মিনিট ১ গা সেকেন্দ ৫৯.৩৭ লোইদুনা মথং রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। হিট অদুদা স্বিদেনগী সিমোন সজোদিননা মিনিট ১ গা সেকেন্দ ৫৬.৪৬ লোইদুনা ফার্ষ্ট তাখি। অদুগা স্লোভাকিয়াগী রোবার্ট জাবোগরনা মিনিট ১ গা সেকেন্দ ৫৭.০৫ লোইদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখি। ইজরেলগী গাল নেভোনা হিট অদুদা মিনিট ১ গা সেকেন্দ ৫৮.৬৪ লোইদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অদুগী অহুমশুবা হিটতা লেজেন্দ্রি মাইকেল ফেলপসনা মিনিট ১ গা সেকেন্দ ৫৫.৭৩ লোইদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। হিট অদুদা খ্বাইদগী ফবা টাইমিং ওইনা তামাস কেন্দেরেসিনা মিনিট ১ গা সেকেন্দ ৫৪.৭৩ ঈরোয়দুনা শিংথানিংঙাই ওইখি।

# সেরেনা ৱিল্লিয়মস, পেট্রা কভিটোভা, এঞ্জেলিগ কার্বর রিওগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে





রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৯ ঃ

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মফম অসিদা চথুরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা ফ্রান্সকী এলাইজ কোর্নেটপু মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক্কী মঙারকশুবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌননবগী মঙলান অদু নৌহৌননা হিঙ্গৎহনখ্রে।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিনা কোর্নেটপু ৭-৬ (৭/৫), ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মমাঙদা মহাক্কী মচে ভেনসকা জুরা শেমদুনা শান্নখিবা ৱিমেন্স দবলসতা মায়থীহৌখিবনি। ফ্রেঞ্চকী এলাইজ কোর্নেটনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অমেরিকান ষ্টার অসিবু কুমজা ২০১৪ দা অহুল্লক মায়থীবা পীখিবনি। মহাক্না মায়থীবা পীখিবা অদুদা ৱিমল্লেদন চেম্পিয়নশিপসু য়াওখি।

ৱিল্লিয়মসনা মেচ অদুগী অহানবা সেটতা ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি অমদি মখা তাবা মেচতা পোইন্ট অনী অমগা লৌখিদুনা অমুক হন্না ৪-০ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু কোর্নেটনা মশক থোক্লা অমেরিকানগী সাইদতা খুৎ হল্লকখিদুনা ১০শুবা গেমদা সেট পোইন্ট অনী সেট তৌবা ঙমখি। টোপ সীদ অমেরিকন অসিনা টাই ব্রেক তাখিবা অদুদা ওপোনেন্টপু নঙ্কাৎতুনা ৭-৬ (৭/৫) দা মায়থীবা পীখি।

ৱিল্লিয়মসনা অনীশুবা সেটতদি য়াম্না মাঙজিল থানা শান্নরকখিদুনা কোর্নেটপু ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। ৱিল্লিয়মসনা মথংগী রাউন্দদা য়ুক্রেনগী ইলিনা সভিটোলিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মেচ লোইরবা মতুং ৱিল্লিয়মসনা হায়খি, ঐনা মেচতা মায় পাকখিবা অসি ঐগী অচেৎপা মোটিভেসন অদুননি। মরমদি ঐনা মহাক্না মমাঙদা শান্নখিবা মেচতা নিংথিনা শান্নখিদে। মহাক্না ঐহাক্না শান্নবদা করম্বা মওংদা শান্নগদগে হায়বদু খঙই হায়না মহাক্না ফোঙদোক্তুনা লাকখি। অয়াম্বা মতমদসু ঐনা মহাক্না মায়োক্লদুনা শান্নখি। অদুবু ঐনা মহাক্কী মায়োক্তা নিংথিনা শান্নবদি ঙমখিদে। অদুমকপু ঐনা মহাক্কী মায়োক্তা মশক থোক্না শান্নবা পামই হায়না ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস মেচ অমদা চেক রিপব্লিক্কী পেট্রা কভিটোভানা মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াকিবু নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা মায়থীবা পীখ্রে।

ওলেম্পিক্কী সেন্টর কোর্টতা চথখিবা মেচ অদুদা অনীরক ৱিমল্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা কভিটোভানা ৱোজনিয়াকিবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খোঙ থাংজিনখি। মহাক্না অহুমশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী ইকাটেরিনা মকারোভা নৎত্রগা স্লোভাকিয়াগী অন্না কারোলিনা স্কিমেদলোভাগা মায়োক্লগনি।

ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ৫৩ শুবদা লৈরিবা ৱোজনিয়াকিনা হায়খি, মেচ অদু ঐঙোন্দা য়াম্না টফ ওইখি। পেট্রানা মেচ অদুদা নিংথিনা শান্নখি অমদি এগ্রেসিব ওইনা চঙশিনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা মেচতা জর্মনিগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা এঞ্জেলিগ কার্বরনা কনাডাগী য়ুগেনি বৌচার্দপু অকনবা মওংদা মায়োক্লখ্রবা মতুং ৬-৪, ৬-৩ দা মায় পাকখি। টুর্ণামেন্ট অসিদা তরেৎশুবা সীদেদ ওইনা লৈরিবী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মেদিসিন কীজনা ফ্রান্সকী ক্রিষ্টিনা মালাদেনোভিকপু কোর্দ ৱানদা শান্নখিবা মেচতা ৭-৫, ৬-৭ (৪), ৭-৬ (৫) তা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

# থাইলেন্দগী ৱেঠলিফটরনা নুপীগী কে জি ৫৮ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল লৌখি



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৯ ঃ

থাইলেন্দগী সুকন্যা শ্রিসুরাৎনা মফম অসিদা চথুরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ৱেঠলিফটিংগী নুপীগী কে জি ৫৮ গী কম্পিটিসন্দা কে জি ২৪০ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

দোপিং তৌবগী মরালদা চহী অনী অথিংবা থম্লুরবা সুকন্যা শ্রিসুরাৎনা ইভেন্ট অদুদা স্নেচতা কে জি ১১০ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা অপুনবা কে জি ১৩০ থাঙ্গৎতুনা পুন্না কে জি ২৪০ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

সুকন্যা শ্রিসুরাৎকী কম্পেট্রোইট পিমশিরি শিরিকাৱনা অপুনবা কে জি ২৩২ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল লৌখি।

অমরোমদা, টাইৱানগী ৱেঠলিফটর সু শু চিংনা মফম অসিদা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী নুপীগী কে জি ৫৩ কাঙলুপতা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা মহাক্না লৌখিবা সিলভর মেদল অদু গোল্ডদা ওনখৎনবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কন্মিটি (আই ও সি) দা তকশিনখ্রে।

নুপীগী কে জি ৫৩গী কাঙলুপতা সুনা চিনাগী ফেভোরাইট লি য়ুজুনবু নঙ্কাৎলল্লগা গোল্ড মেদল অদু লৌখিবনি। সুনা চহী মরিগী মমাঙদা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমসদা কজকষ্টানগী লিফটর জুলফিয়া চিনশানলোনা মহাকপু নমথরল্লগা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুবু লন্দন গেমসদা লৌখিবা সেম্পলশিং অদু অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রবা ড্রগ পোজিটিব ওইরম্বদগী চিনশানলোবু জুন থাদা ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌদুনা রিও গেমসদা শরুক য়াদনবা অথিংবা থমখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেন্দরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) গী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কন্মিটি (আই ও সি) না ৱারেপ লৌবা লৈত্রবসু চিনশানলোদগী গোল্ড মেদল অদু লৌথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি হায়খি।

রিওসেন্ট্রো পেভিল্লিয়ন ২ দা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুদা সুনা স্নেচতা কে জি ১০০ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্গতা কে জি ১১২ পুন্না কে জি ২১২ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল অদু লৌখি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবী ফেভোরাইট লি য়ুজুননা স্নেচতা কে জি ১০১ থাঙ্গৎতুনা ওলেম্পিক্সকী অনৌবা রেকোর্দ অমা শেমখ্রবা মতুং ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১২৩ অমদি কে জি ১২৬ থাঙ্গৎনবা হোৎনবদা ঙমখিদবদগী টোটেল স্কোর ফংবা ঙমখিদে।

ইভেন্ট অসিদা ফিলিপিন্সকী হিদিলিন দাইজনা অপুনবা কে জি ২০০ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল লৌখি। মেদল অসিনা ফিলিপিন্সকী ওলেম্পিক্সকী অহানবা মেদলসু ওইখি। অদুগা কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌখিবা মশাগী চহী ৩০ শুরবা সাউথ কোরিয়াগী য়ুন জি হিনা কে জি ১৯৯ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

# কার্লোস ব্রাঠৱেটপু ইন্দিজগী টি ২০ গী কেপ্টেন হাপখ্রে



ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ০৯ ঃ ৱেষ্ট ইন্দিজগী ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ গী অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা কেপ্টেন দারেন সাম্মিবু কেপ্টেন ফমদগী লৌথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ফেলো ওল রাউন্দর কার্লোস ব্রাঠৱেটপু য়ু এস এগী ফ্লোরিদাদা মথং থাদা ইন্দিয়াগা মায়োক্লদুনা শান্নগদবা মেচ অনীগীদমক ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমবু লুচিংনবা কেপ্টেন ওইনা হাপখ্রে।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ দা অনীরকশুবা ওইনা টাইটল লৌখিবদা ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমবু লুচিংখিবা সাম্মিনা চহী অসিদা মশক থোক্না শান্নবা ঙমদনা লাকখিবদগী ফ্লোরিদাদা শান্নগদবা মেচ অনীগী স্কাদতা মহাক্কী মফম কঞ্জবা ঙমখিদে।

ওগষ্ট ২৭ অমদি ২৮ দা ফোর্ট লৌদরদেলগী সেন্ট্রেল ব্রোৱার্দ রিজনেল পার্কতা চথগদৌরিবা মেচ অনীগীদমক ৱেষ্ট ইন্দিজ ক্রিকেট বোর্দনা মসিগী মেম্বর ১৩ না শাবা স্কাদ অমা লাউথোকখ্রে।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কাদ লাউথোকখিবা অদুদা সেলেক্টরগী চ্যেরমেন কোর্টনি ব্রাউনসু শরুক য়াখি। মহাক্না মশাগী চহী ৩২ শুরবা সাম্মিবু থাগৎলদুনা মহাক্না ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমগীদমক লৌরম্বা মশক থোক্লবা থৌগাইশিং অদুগীদমক অপেনবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ৩ দা কোলকত্তাগী ইদেন গার্দেনদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ গী ফাইনেল মেচতা থংন-থংননা সিক্স ৬ কন্দুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিবা ব্রাঠৱেটপু থাগৎখিবগা লোয়ননা মহাক্কী হৈথোই-শিংথোইবা অদুনা টিমগী কেপ্টেন ওইননবগী চাউরবা মতেং ওইখি হায়বা ৱাফম থমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কাদ মেম্বর ১৩ অদুদি এন্দ্রে ফ্লেটচর, এন্দ্রে রুসেল, কার্লোস ব্রাঠৱেট (কেপ্টেন), ক্রীস গেয়ল, দ্বীন ব্রাভো, ইভিন লেৱিস, জাসন হোল্ডর জোন্সন চার্লের্স, কৈরোন পোলার্দ, লেন্দল সিম্মোন্স, মার্লোন সাম্যুল, সাম্যুল বাদ্রী অমদি সুনিল নরিননি।